# বেলজিয়মগী মখূৎতা সেমীফাইনেলদা মায়থীরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা জর্মনিগা লম্বা তৌনরগনি, রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী সোনম মালিক মায়থীহৌরে, নুপীগী জেভলিন থ্রোদা অনু রানীসু লৈহৌরে

TOKYO 2020

টোকিও, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৮০দা মোস্কো ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১গী মতুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা ঙসি বেলজিয়মগা লম্বা তৌনবদা মায়থীখ্রবা মতুং জর্মনিগা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি রেষ্টলিংগী ওইনা ইন্দিয়াগী সোনম মালিক মহাক্কী অহানবা বাউটতা মায়থীহৌরে। লোয়নন নুপীগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা লৈবাক অসিমক্কী অনু রানী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

হোক্কী : ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ঙসি য়াম্না থৌনা ফনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান থাক্তা লৈরিবা বেলজিয়মগা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা অহানবা হাফ ফাওবদা য়াম্না ফজবা মওংদা লম্বা মান্নরল্লবা মতুং অনীশুবা হাফতা বেলজিয়মনা হেঞ্জিল্লক্তুনা পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা নংখিবদগী গোল্ড মেদলগী খূদোংচাবা ফংখিদ্রবা মতুং ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা জর্মনিগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নবগী শুপ্পগী ২শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খূদোংচাবা অদু লৌরগা টিম অদুগী লোক লেপার্টনা পাঞ্জল চল্লগা ইন্দিয়াবু মাঙজিল থাখি। অদুগা ৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নরদা হর্মনপ্রিটনা পাঞ্জল অমা ওন্থোক্লগা ইক্কেলাইজর অদু ওইখি। মখা তাবা অহানবা ক্বার্টর অদুগী ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী য়াম্না ফজবা এটেক অমদা মন্দিপনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা বেলজিয়মবু ইন্দিয়ানা ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক চথুরকপদগী ঙসিগী মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংখিবা অলেকজেন্দর হেন্দ্রিক্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা পাঞ্জল ২-২দা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা বেলজিয়মগী হেন্দ্রিক্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-২দা হেল্লগা লৈখি। ৫৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী মখা তাবা এটেক অমদা পেনাল্টি ষ্ট্রোক ফংদুনা হেন্দ্রিক্সনা মহাক্কী হেটট্রিককী ওইবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা চন্দুনা ৪-২দা হেনখি। শান্নবা লোইশিনবগী মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর স্রিজেশকী মহুৎতা শান্নরোয় অমা চঙহন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদুসু কান্নবা ফংদনা মেটচকী অরোইবা মিনটতা বেলজিয়মগী জোন দোমেননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৫-২দা থোইরগা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিনা থা অসিগী ৫দা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা ঙসি জর্মনিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি টিম ব্রান্দ, ব্লেক গোবর্স অমসুং লাস্লান শার্পনি। অদুগা জর্মনিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা লুকাস ৱিন ফেন্দরনা চনখিবনি।

রেষ্টলিং : টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী রেষ্টলিং দিসিপ্লিনগী ইভেন্ট হৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপীগী কিলোগ্রাম ৬২দা শরুক য়াখিবী সোনম মালিক মহাক্কী অহানবা বাউট অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বোলোরতুয়া খুরেলখুগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী বাউট অদুদা চহী ১৯দা ঙাইরিবী ইন্দিয়াগী সোনম মালিকনা পোইন্ট ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈরম্বদগী বাউট অদুগী লোইরমদাই সেকেন্দ ৩৫ খক্তা ঙাইরবা মতমদা এসিয়াগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী খুরেলখুনা টেক দাউন মুভতা পোইন্ট ২ ফংদুনা বাউট অদু লোইশিল্লকপদা রেষ্টলর অনীমক পোইন্ট ২-২দা লৈনখি। অদুবু রেষ্টলিংগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না খ্বাইদগী কোন্না পোইন্ট য়াম্না লৌবা ঙন্বা শান্নরোয় অদুনা মায় পাকপগী চৎনবী লৈবনা ইন্দিয়াগী সোনম মালিক অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি।

কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৯দা কেদেট ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল অনীরক লৌবা ঙল্লবী সোনম মালিক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মখা তারকপা রেপিজিগী খূদোংচাবা ফংখিদে। মরমদি মহাকপু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরম্বী মোঙ্গোলিয়াগী খুরেলখুসু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

এথলেটিক্স : টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী এথলেটিক্স দিসিপ্লিনগী মনুং চল্লিবা নুপীগী জেভলিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী অনু রানী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি। অনু রানীনা ঙসি ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা মিটর ৫৪.০৪ লংলগা ১৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী শোটপুট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী তজিন্দরপাল টুর মিটর ১৯.৯৯ লংলগা অতোপ্পা থ্রো অনী দিসক্বালিফাই ওইবদগী গ্রুপ এদা ১৩শুবা পোজিসন তাদুনা মখা তাবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

**হয়েং ইন্দিয়াগী ইভেন্টশিং**
১. নুপীগী হোক্কী সেমীফাইনেল (নুংথিল পুং ৩.৩০)
২. নুপীগী বোক্সিংগী ৱেল্টরৱেথ সেমীফাইনেলদা লোভলিনা বোর্গোহেনগী বাউট (অয়ুক পুং ১১)
৩. নুপাগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা নিরজ চোপ্রাগী কম্পিটিসন (অয়ুক পুং ৫.৩৫)
৪. ফ্রীষ্টাইল রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী পুনিয়া অমসুং কে রবি (অয়ুক পুং ৭.৩০)



**Tokyo Olympic Games Medal Tally**

| Rk | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 32 | 21 | 16 | 69 |
| 2 | United States | 24 | 28 | 21 | 73 |
| 3 | Japan | 19 | 6 | 11 | 36 |
| 4 | Australia | 14 | 4 | 15 | 33 |
| 5 | ROC | 13 | 21 | 18 | 52 |
| 6 | Great Britain | 13 | 17 | 13 | 43 |
| 7 | Germany | 8 | 8 | 14 | 30 |
| 8 | France | 6 | 10 | 8 | 24 |
| 9 | Netherlands | 6 | 7 | 7 | 20 |
| 10 | South Korea | 6 | 4 | 9 | 19 |
| 11 | New Zealand | 6 | 4 | 5 | 15 |
| 12 | Italy | 5 | 9 | 15 | 29 |
| 13 | Hungary | 4 | 4 | 3 | 11 |
| 14 | Cuba | 4 | 3 | 4 | 11 |
| 15 | Czech Republic | 4 | 3 | 1 | 8 |
| 16 | Canada | 3 | 4 | 7 | 14 |
| 17 | Switzerland | 3 | 4 | 5 | 12 |
| 18 | Brazil | 3 | 3 | 8 | 14 |
| 19 | Croatia | 3 | 3 | 2 | 8 |
| 20 | Chinese Taipei | 2 | 4 | 4 | 10 |
| 21 | Sweden | 2 | 3 | 0 | 5 |
| 22 | Poland | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 23 | Denmark | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 24 | Jamaica | 2 | 1 | 2 | 5 |
| 25 | Norway | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 25 | Slovenia | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 27 | Ecuador | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 28 | Greece | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 28 | Uzbekistan | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 30 | Kosovo | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 30 | Qatar | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 32 | Spain | 1 | 4 | 4 | 9 |
| 33 | Georgia | 1 | 4 | 1 | 6 |
| 34 | Romania | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 34 | Venezuela | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 36 | Hong Kong | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 36 | South Africa | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 36 | Slovakia | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 39 | Austria | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 39 | Indonesia | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 39 | Serbia | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 42 | Belgium | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 42 | Ethiopia | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 44 | Philippines | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 44 | Tunisia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 46 | Turkey | 1 | 0 | 5 | 6 |
| 64 | India | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 64 | Kenya | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 64 | Kyrgyzstan | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 64 | Nigeria | 0 | 1 | 1 | 2 |

## মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স দেদা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টপু স্পেসল গেষ্ট ওইনা ইনভাইট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুবু স্পেসল গেষ্ট ওইনা ইনভাইট তৌদুনা এথলিটশিং অদুগা ৱারী শানগদৌরি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অদুগী মনুংদা ৱেথলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরকখ্রবনি। অদুগা নুপীগী বোক্সিংদা লোভলিনা বোর্গোহেন সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি। অদুবু মহাক্না হয়েং সেমীফাইনেল মায় পাক্লক্লবদি গোল্ড নৎত্রগা সিলভরদি ফংবগী খূদোংচাবা লৈরি। মখা তারকপদা নুপাগী জেভলিন থ্রোদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অচৌবা থাজবা থল্লিবা নিরজ চোপ্রানা মেদল ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লৌগদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, থৌনা ফরবা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টতা শরুক য়ারিবশিংনা কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেং মরক্তা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনবদা থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা এথলিট ১২৭ য়াওনা পূন্না ওফিসল অমদি সপোর্ট ষ্টাফ য়াওরগা মীওই ২২৮না পুৱারীদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট ওইখিবনি।

## স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ইন্দিয়াগী টোকিও পেরালিম্পিক গেমস কন্টিঞ্জেন্টকী থিম সোং লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ঙসি টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টকী ওইবা থিম সোং অদু লোঞ্চ তৌখ্রে।

'কর দে কমাল টু' হায়বা ঈশৈ অসি লক্নৌদা লৈবা স্পেসিএলি এবল্ড ক্রিকেট শান্নরোয় সন্দিপ সিংহনা কম্পোজ তৌরগা শকপা ঈশৈনি। হায়রিবা ঈশৈ অসি ঙসি ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা মীয়ামদা লোঞ্চ তৌখিবনি।




পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিকশিংগী ওইবা থৌনা পীননবা থিম সোং অসিসু স্পেসিএলি এবল্ড ক্রিকেটর অমগী মায়কৈদগী কম্পোজ তৌরগা মশামক্না শকপা অসিনা পেরালিম্পিয়নশিংগী ৱাখলদা অনৌবা থৌনা অমা লাক্লনবগী পান্দমনি হায়না কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

ঈশৈ অসিগী ময়েক্তা পেরা এথলিটশিং অসিগী থৌনা পীবদা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা স্পেসিএলি এবল্ড ওইরবা মীওইশিংনা ৱাখল হন্থদনা লৈনবা অমদি মখোয়গী মায়কৈদগী অতোপ্পা মীয়াম মরক্তা তোঙানবা অহেনবা থবক থৌরম কয়া অমা পাঙথোকপা ঙম্মী হায়বদু উৎপগী ৱাখল্লোন অমসু য়াওরি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা ওইনা পেরা এথলিট ৫৪না দিসিপ্লিন ৯দা শরুক য়াগদৌরি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা পেরা এথলিটশিং অদুনা শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুগী খোঙথাং পূম্নমক মীৎয়েং তাদুনা লৈগনি হায়খি। মহাক্কী ৱারোলশিংগী মনুংদা পেরা এথলিটশিং অদুনা শান্নবা মতমদা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১৩০না মখোয়গীদমক্তা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লবগী শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক গেমসকী এথলিটশিং উনদুনা পেরা এথলিটশিংগী ওইবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতাংদসু ফোঙদোকখি। পেরালিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট দিপা মালিকনা লৌখৎলিবা থবকশিংবুসু থাগৎখি।

## 'ইষ্ট বেঙ্গল আই এস এল শান্নগনি, চয়েৎনবশিং লোইশিল্লগনি'

কোলকাটা, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী হৌখিবা সিজনদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা স্পোন্সর ওইখিবা স্রি সিমেন্টকা লৈনরিবা চয়েৎনবশিং অদু অথুবদা লোইশিল্লগনি। লোয়ননা ক্লব অসিনা মথংগী সিজনদা আই এস এল শরুক য়াগনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লব হৌখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অরোইবা মীৎকুপ্তা স্পোন্সর ওইখিবা স্রি সিমেন্ট লিমিটেদকা য়ানবা পুরকপদগী ইনৌ নৌবা টিম অমা ওইনা শরুক য়াখিবনি। মরক অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং লৈরবা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব মোহন বগাননা মাঙজৌ-ননা আই এস এলদা শান্নদুনা লাক্লবা এটলেটিকো কোলকাটাগা পূনশিল্লগা এ টি কে মোহন বগান হায়না ক্লব শেমদুনা শরুক য়াবা ফংখ্রবনি। মদুগা লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলসু শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা লৈরকপদগী স্রি সিমেন্ট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা মখোয় শরুক য়াখিবনি। অদুবু হন্দক্কী সিজন অদু লোইখ্রবা মতুং ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী মেম্বরশিংগা স্রি সিমেন্ট লিমিটেদকী মরক্তা অরোইবা এগ্রীমেন্ট অদু খূৎয়েক পীনবগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরকপদগী লাক্কদৌরিবা আই এস এলদা ইষ্ট বেঙ্গলগী লাইবক লেপ্পা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি কোলকাটাদা লৈবা নেটাজি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা ইষ্ট বেঙ্গলগী ভাবোকশিং অমদি মশান্না অসিবু পামজবা কাঙলূপ কয়াদা থাজবা থল্লদুনা ক্লব অসিগা স্পোন্সর ওইরিবা স্রি সিমেন্ট লিমিটেদকা অথুবদা য়ানদবা লৈরম্বা অদু লোইশিল্লগা শান্নহনগনি হায়না থাজবা থমখি।

## নোরৱেগী কার্ষ্টেন ৱারহোমনা নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খ্রে




টোকিও, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা এথলেটিক্স দিসিপ্লিনগী মনুং চনবা নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা নোরৱেগী কার্ষ্টেন ৱারহোমনা ওলিম্পিককী পুৱারীদা চাওনা নীংশিংহৌরগদবা লমজেল অমদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়দুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ লৌবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা থাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল এথলেটিক্স কম্পিটিসন অমদা নোরৱেগী এথলিট অসিনা চহী ২৯ হেন্না লৈরক্লবা নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অদু সেকেন্দ ৪৬.৭০দা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থমখিবনি। মশামক্না থমজখিবা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলগী রেকোর্দ অদু ঙসি সেকেন্দ ৪৫.৯৪দা চেন্দুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি।

য়ু এস এগী এথলিট রাই বেঞ্জামিননা ইভেন্ট অদুদা সেকেন্দ ৪৬.১৭ চেল্লগা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রাজিলগী এথলিট মশাগী চহী ২১দা ঙাইরিবা এদিসন দোস সান্তোসনা সেকেন্দ ৪৬.৭২দা চেল্লগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অদুগী ফাইনেল কম্পিটিসন শরুক য়াখিবা এথলিট ৬না মশা-মশাগী লৈবাক্কী রেকোর্দ থুগায়বসু ঙম্নখি। অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থল্লবা নোরৱেগী কার্ষ্টেন ৱারহোমনা ফোঙদোকখিবদা, লমজেল অদুদা অনৌবা কার্বোন টেক্নোলোজিগী খোঙউপনা হেন্না কান্নবা পীবগী মমি তাখি হায়না ফোঙদোকখি। মমাংগী চেম্পিয়ন কয়াদসু ঙসিগী রেকোর্দ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লুরক্লি।

## মাইস্নাম ব্রজেন্দ্র লুৱাং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): ব্লু হোক ক্রিকেট ক্লব খুরাই লম্লোংনা মাইস্নাম ব্রজেন্দ্র লুৱাংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু ইনাওতোম্বনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোলদা, মাইস্নাম ব্রজেন্দ্র লুৱাং লাইরিকয়েংবম লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টতগীনি। মহাক ব্লু হোক ক্রিকেট ক্লব অসিগী ফাউন্দর মেম্বর অমদি শান্নরোয় অমসু ওইরমখি। মহাক্না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নৎতনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওইরম্বদা নৎতনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী এগজি-ক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরমখি।

ব্লু হোক ক্রিকেট ক্লবকী মায়কৈদগী ঙরাং ক্লব অসিগী ওফিসতা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ওফিস বিয়ররশিং অমদি ক্লব অসিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি।



অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা মাইস্নাম ব্রজেন্দ্র লুৱাংনা ব্লু হোক ক্রিকেট ক্লবকীদমক্তা হোৎনরম্বশিং, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসনগী থৌদাং কয়া লৌরম্বা অমদি মণিপুর ক্রিকেট মশান্না অসি চাউখৎনবগীদমক্তা শরুক য়ারমখিবা অদু নীংশিংখি অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।

## জর্মনিগী মলাইকা মিহম্বোনা নুপীগী লোং জম্পকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): জর্মনিগী এথলিট মলাইকা মিহাম্বোনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা জম্প অদু অরোইবা রাউন্দগীদমক্তা খাক্লবা মতুং লম্বা য়াম্না লৈখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী লোং জম্প ইভেন্ট অদুদা মিটর ৭ চোংলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী জর্মনিগী মলাইকা মিহাম্বো নুপীগী লোং জম্প ইভেন্ট অদুদা রাউন্দ ৬ চোংবা অদুগী মাংওইননা রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মহাক ব্রোঞ্জ মেদলগী থাক্তা লৈখি। মতম অদুদা য়ু এস এগী ভেটরান কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট ব্রিটনি রিসেনা মিটর ৬.৯৭ চোংলগা মাঙজিল থারগা লৈখিবনি। অদুগা নাইজেরিয়াগী এসি ব্রুমনা মিটর ৬.৯৭ চোংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। য়ু এসকী ব্রিটনি রিসে অমসুং নাইজেরিয়াগী এসি ব্রুমগী জম্প অদু মান্নরবসু খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা জম্প অদু য়ু এসকী রিসেনা হেনবদগী সিলভর ফংখিবনি।




রাউন্দ ৫ লোইশিনখ্রবা মতুং জর্মনিগী মলাইকা মিহাম্বো অহুমশুবা থাক্তা লৈরম্বদগী মহাক্কী অরোইবা অমদি তরুকশুবা রাউন্দগী জম্প অদুদা য়াম্না ফজবা মিটর ৭ চোংবা ঙমখিবা অদুনা মহাক গোল্ড মেদলগীদমক্তা মাঙজিল থাখি। অদুবু মহাক্কী জম্প অদুগী মতুং নাইজেরিয়াগী ব্রুমসু মহাক্না হান্না চোংখিবা মিটর ৬.৯৭ অদুদগী হেনগৎপা ঙমখিদে। লোয়ননা নুপীগী লোং জম্প ইভেন্ট অদুগী অরোইবা জম্প চোংখিবী য়ু এস এগী ব্রিটনি রিসেসু মহাক্কী অরোইবা জম্প অদুদা মিটর ৬.৮৪ চোংলগা লোইশিনখিবদগী মলাইকানা গোল্ড ফংখিবনি।

## পোলেন্দগী দুদানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোরৱেগী কার্লসন মায়থীবা পীদুনা চেছ ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা রসিয়াগী কর্জাকিনগা শান্নরগনি

সোচি, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): রসিয়াগী সিটি সোচিদা চথুরক্লিবা চেছ ৱর্ল্ড কপকী সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনবু মায়থীবা পীদুনা পোলেন্দগী জান কৃষ্টোফ দুদানা ফাইনেলদা রসিয়াগী শান্নরোয় সর্গে কর্জাকিনগা লম্বা তৌনরগনি।

জান কৃষ্টোফ দুদানা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগা লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল অদুগী অহৌবা গেম ৩ মায় পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎখি। ঈ এল ও রেটিং ২৭৩৮ ফংলিবা দুদানা অঙৌবা মচু পায়রগা অহানবা গেমদা ঈ এল ও রেটিং ২৮৪৭ ফংলিবা কার্লসনগা লম্বা তৌনরকপদা মুভ ৩২দা দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়দুনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু দুদানা য়াম্না ফজনা ঙাকথোক্তুনা ৬৫ শুবা মুভতা দ্রো চৎতুনা লম্বা মান্নখি।






অহুমশুবা গেমদা দুদানা অমুক অঙৌবা মচু পায়রগা শান্নখিবা গেম অদুসু কার্লসনগী মায়কৈদগী ফজবা খোঙথাং কয়া য়াওরক্তুনা মুভ ৩৩ শুরকপদা মায় পাক্লবা ঙমদনা গেম অদুসু দ্রো চৎখি। পোইন্ট ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মরিশুবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা চথুরকখিবা এটেক অদু পোলেন্দগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা দুদানা য়াম্না ফজনা দিফেন্স তৌদুনা শান্নরকপদা গেম অদুগী ৭৪ শুবা মুভতা কার্লসন মায়থীবা নংবদগী সেমীফাইনেল অদু দুদানা ২.৫-১.৫দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখি।

দুদাগী ফাইনেল লম্বা ওইরিবা রসিয়াগী সর্গে কর্জাকিননা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় ভ্লাদিমির ফিদোসিবপু পোইন্ট ১.৫-০.৫দা থোইরম্বনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 190**

**Graf, Alexander (2569) - Braun, Arik (2609)**
**German Masters 2021 Magdeburg, 2021.07.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.g3 Nd7 | 3.d4 Nb6 | 4.Nbd2 Bf5 |
| 5.Bg2 e6 | 6.O-O Nf6 | 7.Nh4 c6 | 8.c3 h5 |
| 9.Nxf5 exf5 | 10.Qc2 g6 | 11.Nb3 h4 | 12.Bg5 hxg3 |
| 13.hxg3 Bh6 | 14.Bxh6 Rxh6 | 15.Qd2 Rh7 | 16.Qe3+ Kf8 |
| 17.Nc5 Kg7 | 18.Nxb7 Qh8 | 19.Rfd1 Ng4 | 20.Qf3 Re8 |
| 21.e3 Nc4 | 22.Rd3 Rb8 | 23.b3 Rxb7 | 24.bxc4 Rb2 |
| 25.cxd5 Rh1+ | 26.Bxh1... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 189 Ans. :**
54. ...Ng5 55.Ra5+ Kg6 56.Ra6+ Kh5 57.Ra8 h3+
57. ...Rxf3 58.Bh2 h3+
57. ...Rc2+ 58.Kh1 Nxf3
57. ...Nxf3
58. Kh1 Nxf3
58. ...Rxf3
59. Rh8+ Kg4
59. ...Kg5
54. ...Ng5 55.Ra5+ Kg6 56.Ra6+ Kh5 57.Ra5 h3+ 58.Kh1 Rxf3 59.Bb6 Kg4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com